ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ১২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৫৪শুবা মশীং

## পান নাগা হোহো শেম্বগী ৱাফম

### নাগাগী ৱারোইশিনদা নাগা মশেল য়ানদবগী ৱাফম থোরকপা

নাগাগী ৱারোইশিনদা পান নাগা হোহো শেম্বগী ৱাফম য়াওবা য়ারোই হায়না নাগালেন্দ ট্রাইব্‌স কাউন্সিল (এন টি সী)না ফোঙদোকখ্রে। নাগা তাবা লম পূম্নমক পূনশিনবা নৎত্রগদি হোহো শেম্বগী ৱাফম য়াবা ঙল্লোই হায়না পল্লদুনা এন টি সীগী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা পান নাগা হোহো শেম্বা তারবসু নাগালেন্দদা হেদ ক্কার্টরস ওইহনবা য়ারোই। দিসেম্বর ৬তা এন টি সীগী দিমাপুরদা পাঙথোকখিবা জেনরেল কাউন্সিল মীটিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱারেপ লৌরে হায়রি। নাগালেন্দগী তোঙান-তোঙানবা ট্রাইব ১৪, ৱর্কিং কম্মিটি ওফ নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) অমসুং নাগালেন্দগী অতৈ ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংনা পান-নাগা হোহো শেম্বগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। নাকল-অমরোমদা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)নদি নাগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তঙাইফদনা পান নাগা হোহো শেম্বা মথৌ তাই হায়বা ফিরেপ লৌরি। দিমাপুর মনাক্কী চুমুকেদিমাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নাগা পীপল'স কন্সলটেটিভ মীটিংদা ৱা ঙাঙখিবদা এন এস সী এন-আই এমগী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভানা হায়খি, নাগা তাবা মফম পূম্নমক পূনশিনগদবনি। অদুবু জিওগ্রাফিকেল লোকেসন্না মরম ওইরগা পূনশিনবদা খূদোংচারোইদবা মফম পূম্নমক পান-নাগা হোহোনা কোনশিনগদবনি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা মুইভানা হায়খি, নাগাগী ৱারোইশিনদা অপনবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমনা মতম খরা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওবা ৱাফম লোৎশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। য়াশিন্নবা পুরক্লবা নাকল অনী ৱারী শানবদা নাকল অমনা চাদা ১০০ তোংজবা হায়বদুদি ওইথোক্লোই হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, তোপ-তোপ্পা পুৱারী লৈজবা নাগা মীয়ামগী তোপ-তোপ্পা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়বা ৱাফম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরে। এন এস সী এন-আই এমগী চ্যেরমেন আইসাক চিশি স্বুগী হকচাং কা-হেন্না শোকচিল্লকপা মরম্না তহা-তহা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবনি। মতমদুদা ন্যু দিল্লিগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবা চ্যেরমেননা এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক হেক পীবগা তাইবং মপূগী খূয়া তানখিবনি হায়নসু মুইভানা ফোঙদোকখি।

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অমসুং হৌজিক্লা লোক সমাগী এম পি ওইরিবা নৈফিয়ু রিওনা এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা মুইভা অমদি চিশি স্বুনা নাগা মীয়ামগীদমক কথোকখিবা পূম্নমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মুইভা অমদি রিওনা কোংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা হায়খি, মতম অমদা কোংগ্রেসনা খুরৌ থাংখিবা মরম্না হৌজিক ফাওবা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি। মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশতা নাগাশিংগী ওটোনোমস কাউন্সিল অমমম্ শেম্বগী মতাংদা এন এস সী এন-আই এম অমদি ৱর্কিং কম্মিটি ওফ দ এন এন পি জিনসু অয়াবা পীরে। অথুবা মতমদা পিছ একোর্দ অমা খূৎয়েক পীনরগা এন এস সী এন-আই এম য়াওনা নাগা লালহৌলূপ পূম্নমক খূৎলায় থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী সোর্ছ অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মমাঙ থাদা এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখি। দিল্লিগী ক্লেরিদ্‌জ হোটেলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওসু শরুক য়াখিবনি। মীফম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট) সত্যান্দ্র গার্গ অমসুং পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখি। পাউমী অমত্তা চঙহন্দনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এন এস সী এন-আই এমগী মায়কৈদা লূপ অসিগী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভা, লূপ অসিগী আর্মি চীফ এন্থোনি শিমরে, হান্নগী মিলিটরি চীফ ফুংথিং শিমরাং অমসুং কুমজা ২০১৫দা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবদা শরুক য়াখিবা মীওই পূম্নমমক য়াওখি হায়রি। নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কদৌরে হায়বসিদি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলবা ৱাফমনি। মমাঙ থাদা নাগালেন্দগী ৱোখাদা পাঙথোকখিবা তোখু ইমোং মিনি হোর্নবিলদা ৱা ঙাঙখিবদা নাগা পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা হায়খি তুং কোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন পুরক্তুনা নাগাগী অনৌবা পুৱারী অমা শেম্লগনি। হৌখিবা পূম্নমক কাউথোক্লদুনা তোঙান-তোঙানবা নাগা কাঙলূপশিং অমত্তা ওইনা পুল্লগা অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্লগনি। তৌবগীবুদি জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) সু নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপসকা খূৎশম্নদুনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা য়াওশিনখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা জেদ য়ু এফনা হায়খি, মণিপুর, অসাম অমদি নাগালেন্দদা খুন্দারিবা জেলিয়াংরোং মীয়ামগী লাইবক লেপ্পবগী পান্দমদা এন এন পি জিগা খূৎশম্নখিবনি। জেদ য়ু এফনা এন এস সী এন- (য়ুনিফিকেসন) গা খূৎশম্নদুনা এন এন পি জিগী শরুক অমা ওইনা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগনি। হৌরক্লিবা জেলিয়াংরোং নহারোলশিংগী খল্লগা ফাইনেল এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা খূৎলায় থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরে হায়নসু জেদ য়ু এফনা ফোঙদোকখি। মণিপুর, নাগালেন্দ, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা খুন্দারিবা নাগাশিংগী তোঙান-তোঙানবা খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ কয়ামরুম লৈরি। এন এস সী এন-আই এমবু মণিপুরগী তাংখুল নাগা, এন এস সী এন-য়ুবু সুমি নাগা অমসুং এন এন সীবু অঙ্গামি নাগাশিংনা লুচিংবনি হায়না লৌনরি। কুমজা ১৯৪০গী পরিংদা এ জেদ ফিজোনা লুচিংদুনা নাগাশিংগী খূৎলায় পায়বা ঈহৌ হৌরকখ্রবসু কুমজা ১৯৬০গী মতুং তারকপদা তোঙান-তোঙানবা নাগা লালহৌলূপ মশেল য়েংথিনবগী ফীভম লাকখি। হৌজিক্তি নাগাশিংগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপগী তানফম য়ৌরক্লে।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### বাইচুং ভুটিয়াসু সী এ বিগী মায়োক্তা থৌনা ফনা চোংথোরক্লে

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ইন্দিয়াগী মতম অমগী মমিং চৎলবা অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইরম্বা হৌজিক্লা মশান্না অসিদগী পোখাখ্রবা সিক্কিম মচা বাইচুং ভুটিয়ানা মমা লৈবাক সিক্কিমগীদমক সী এ বিগী মায়োক্তা য়ানীংদবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। য়াম্না পিকচবা ষ্টেট অমদগী হৌরক্লবসু মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখিবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মহাকপু য়াম্না ৱাংনা ইকায়খুম্নবি অমসুং মহাক্কী মচিন্দগী ঙাঙথোক-শক্তোক্লকপা ৱা খুদিংমকসু য়াম্না লূম্না লৌবি। ৱাখল বুদ্ধি লৈবা, তুংগী অশানবা মীৎয়েং উবা ঙম্বা অমসুং মতিং লৈবা শান্নরোয় অমা ওইবনা, মহাক্কী পোক্লফম ষ্টেটতা সী এ বিগী মমি খজিক্তং ফাওবা তাহন্নীংদবগী ৱাফম ফোঙদোক্লিবনি। অসুম্না অফাওবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমনা নুংদগী ফোঙদোক্লকখিবা ৱাহৈশিং অদু মমল য়ামই খনবীদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইকায়খুম্নফম থোকই।

অমরোমদসু, ইরমদম মণিপুরসু গেমস এন্দ স্পোর্টসকী লম্‌দা মালেমদা মশক তাকপা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা পৱার হাওসনি হায়দুনা ইন্দিয়াগী মচিন ফরবা অফাওবা লৈঙাক্লোয়শিংনা হেক হেক তোয়না তোয়না শীংথানবিরিবনি। তশেংনমকসু শান্ন-খোৎনবদা হেন্না ফগৎহন্নবগী মতিক চাবা খুদোংচাবশিং লৈত্রবফাওবদা, মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অৱাং মীংচৎ কয়া পুরক্তুনা ইন্দিয়াগী মমায় মমিং খুহন্দ্রিবনি। মখোয়শিংগী মমিং-মথা পন্দ্রবসু, মতিক চাবা অৱাংবা থাক্কী মনা-মথুম ফংখিবা কয়া অমা য়াওবদা নত্তনা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী এম পি ওইবা ফাওবা য়াওরিবনি। অসিদসু নত্তনা, আর্ট অমসুং কলচরগী লম্‌দসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শক মুন্না খঙবীদুনা ইকায়খুম্নবীবা শক্লাইরবা মীশক কয়া অমসু লৈরিবনি। মখোয়না ঙাঙলকপা-শক্লকপা ৱাফমশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা তরাই-তরাইবা হায়বদু ওইরোইদৌরিবনি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা মণিপুরগী অমসুং ইন্দিয়াগী ওইবা চাওথোকচনীংঙাই ওইরিবা শক্লাইরবা মীশকশিং অসিনা সী এ বিগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী ওইবা মমল য়াম্লবা নুংগী ৱাখল্লোনশিং অদু ফোঙদোকচহন্নীংই।

*অদোমগী- ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# ইমোসনেল ইন্টেল্লিজেন্স

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

ইমোসন হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহৈ অমগী ৱাহন্থোক, ঐগী পিল্লবা কোকসিদদি থিবা ফংদে। 'অকনবা পূক্লিংগী ইহুল' হায়সিরা? নৎত্রগা, ইচম চম্না 'পূক্লিংগী ইহুল' খক্তং হায়সিরা? মতম চূপ্পদা মীওইবনা নুংতিগী তোঙান তোঙানবা 'পূক্লিংগী ইহুল' কয়াগা হকথেংনৈ। অৱাবা, নুংঙাইবা, হরাওবা, অশাউবা, অকিবা, নুংশিবা, নুংওনবা... পোকপদগী শিবা ফাওবা, মী ওইনা পোক্লুরবা ঐখোয়না অসিগুম্বা পূক্লিংগী ইহুল কয়া অসিদগী কৈদৌনুংদসু নান্থোকপা ঙম্লরোইদবনি। মসি খঙনা কনাগুম্বা অমনা মাগী 'পূক্লিংগী ইহুল' বু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্নবা অমদি মসিগী অফ-ফত্ত খন্থবা ঙল্লবা, মহাক অদো মতম চূপ্পদা ৱাখল লৈতানা, অচুম চুমদা মশক খঙনা খন্থবা ঙমগনি, পূক্লিং ঈংগনি, মশাগী অনীংবা-অপাম্বা অতোপ্পদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙমগনি, অতোপ্পগী পূক্লিং-ইহুলসু নীংথিনা খঙবা ঙমগনি, মীঙোন্দা থাজবা পীবা ঙমগনি অমদি খঙহৌদনা লাকপা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লবা ঙমগনি অদুগা, লাকশিনবা ঙমহৌদদুনা ইহুলদুনা হুমখ্রবা, শোয়রোয় মহাক নাইতোম তারক্কনি, চমম্নরক্কনি, মশানা মশাবু থাজবা ৱাৎলক্কনি, অতোপ্পবুসু থাজরোই।

পূক্লিং-ৱাখল-হকচাং অহুম্মক খল কায়হন্দনা, ফনা থম্নবা, খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা পূম্নমক্কা অফবা মরী থম্নবা, ঐখোয় পূম্নমক্কা ইশাগী 'ইমোসন'বু নিংথিনা মশক খঙবা অমদি করম্না লাকশিনগদগে হায়বদু খঙদোকমিন্নবা, তঙাইফদবা অমনি।

ইমা-পূক্লুংদগী হেক তাইবঙ মঙফাওনরকঙৈদগী তাইবঙ শকখঙনদ্রিঙৈ ফাওবা চেকশিন্না ঙাকপী শেনবীরিবা খূৎ অদুগী খূৎথাংদা পুন্সিগী অহানবা মরী শেল্লকই, ইশা খঙজদনা পূক্লিংগী ইহুল ফোঙদোকপা হৌরকই 'হংঙা হংঙা' কপ্পুনা। অসুম্না পুন্সিসিনা পিখম্নদ্রিফাওবা লেপ্তুনা ফোঙদোক্লিবা 'পূক্লিংগী ইহুল' অদুনা উৎলিবদি ঐগী পুন্সিগা অতোপ্পা কনাগা লৈনবা মরী অদুনি। ইশাগী ইহুল অদু খঙদনা অতোপ্পনা ঐগী ইফমদা উৎলকপা ইহুল অদু শকখঙবা ওইথোক্তে অমদি কনামত্তগা অফবা মরী থম্বসু ওইথোক্তে।

ইশাগী পূক্লিং ইহুল খঙবনা ইশাদা করি কান্নবা পীবগে?

১) ইশাবু শকখঙজবা ঙমহল্লি - ঐগী অপাম্বা করিনো? পামদবনা করিনো? পুন্সিসিদা ঐনা মথৌ তারিবসি করিনো?

২) অতোপ্পা মীওইশিংবু নীংথিনা শকখঙবা অমদি কনাবু ইন্থোক্লগা কনাগা লোয়নগদগে হায়বদু লেপথোকচবা ঙমহল্লি।

৩) মীঙোন্দা ৱা হায়বদা মচা খায়না অমদি ময়েক শেংনা ঙাঙবা ঙমহল্লি।

৪) ৱারেপ অমা লৌবদা চুম্না লৌবা ঙমহল্লি।

৫) পূক্লিং-ৱাখলদা পীরকপা ইথিলনা, করিগুম্বা অমা ফংনবা তানবদা অচেৎপা ফিরেপ লৌগল্লি।

৬) মশাগী মথৌ মায় পাক্লা পাঙথোকপদা নত্তনা অতোপ্পা কনাদসু ইথিল পীবা ঙমগল্লি।

৭) লোয়নরুবা, তিন্নরুবা খুদিংমক্লা অফবা, অচেৎপা, তুং কোয়বা অমদি কান্নবা মরী থম্বা ঙমহল্লি।

ঐখোয়না তত্তনা কাউথোকপা অচুম্বা ৱাফম অমদি - ঐখোয়না ৱাহৈগী মতেংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিদি ফোঙদোক্লিংবা চাং অদুগী চাদা মঙাখক্তনি, চাদা মরিফুতরামঙাদি মীৎয়েংদা-নায়েংদা, পীশুমদা-চিনবান্দা, খূৎশাদা, ঙক লৈথোক-লৈশিন্দা অমদি হকচাং কয়াৎশিংনা লেঙ ওৎপগী মওংদা ফোঙদোকই হায়বসিনি। অচুম্বা ৱারেপ অমা লৌরমদাইদা মরু ওইরিবসি 'ঐনা করি খল্লিবগে' হায়বদু নত্তে, 'ঐগী পূক্লিংদা করি ফাওরিবগে' হায়বদুনি। ৱাহৈদি করিগুম্বদা লানখিবসু য়াই, হায়ফম থোকপা ৱাহৈনা হায়হৌদবা, হায়রোইদবা ৱানা হায়দোকখিবা। অদুবু ঐগী মীৎ, মায়থোঙ অমদি খোন্থোক্লা পীখিবা পাউজেল অদুদি কৈদৌনুংদসু লাল্লোই।

ৱাফম অম'নীদং নৈনদুনা য়েংসি, ঐখোয়না তোয়না থেংনবা।

'ঐনা হায়দোকখিবা ৱা, তৌরুবা থবকসে হেক্তা নীংঙল্লক্তে, করিনুংগীনো!'

'থবকসে তৌদি য়াম তৌনীংই, অদুবু ওইরোই খল্লুবদা পূমতন তল্লে, করিমত্তা তৌনীংদ্রে।'

'ঐনা নুংশিজরুবা পামজরুবা মহাক্লদি, ঐবু করিমত্তা খনবীরমদে।'

'ঐসিবু মেছিন্না শাবা রোবোট লা? মাগী মখাদা থবক তৌই হায়দুনবু শা-ষণদৌনা শীজিন্নবা য়াবরা?'

অসিনচিংবা ৱাহৈশিংসি তত্তনা তাবীরম্লগনি। ইশানসু ইশাদা হায়জরমগনি, অতোপ্পনসু অদোমগী মফমদা ফোঙদোরকপা থেংনবীরম্লগনি। অমুক্তা খন্থবীয়ু - ৱাকৎশিংসিগী মরুমদা লোৎলিবা পূক্লিংগী ইহুল। মদু নীংথিনা খঙলম্লবা ৱাকৎশিংসি চিনবান ৱাংমা লাল্লম্লোই, ইশাবু ইশানা শেমদোকচরমগনি, অতোপ্পগা লৈনবা মরী চেৎশিল্লমগনি, হেন্না মপূং ফাবা মী অমা ওইরমগনি। কনাগুম্বা অমদা খঙহৌদনা হেক্তা হংবীয়ু - 'হৌজিক হৌজিকমক অদোমগী পূক্লিংদুদা করি ইহুল ফাওবীবগে?' ময়েক শেংনা খুম্লকপা ঙমগদবদি খরতনি।

ঐগী পূক্লিং ইহুলবু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্নবা, গুন অনীখক চঙই - 'মীকূপ খুদিং থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা পূক্লিংগী ইহুলদু শকখঙবা ঙম্বা' অমদি 'ফাওরক্লিবা ইহুল অদুনা ঐগী পূক্লিংবু হুমদুনা পুবা ঙমহন্দবা'।

করম্বা শেন্নহৌদবা মীকূপ অমদা ঐগী পূক্লিংদা করি ইহুল ফাওরক্কদগে? কনানসু হায়বা ঙমদে। খঙহৌদনা ফাওরকপা অকনবা ইহুল অমনা ঐবু মাঙহনবসু য়াই, পুন্সিবু শেম্বীবা মীকূপ অমা ওইখিবসু য়াই। ইহুল অসিদগী নান্থোকপা কনাসু ঙল্লোই। থেংনগদবনি, মায়োক্লগদবনি। অদুগা লাকশিনবসু ঙমগদবনি। 'নেগেটিব ওইবা ইমোসন', হায়বদি অশাওবা, অৱাবা, অকিবা অমদি কল্লকপনচিংবা ময়ামসি ফত্তে হায়দুনা মায়োক্লদনবা চেল্লবদি 'পোজিটিব ওইবা ফিলিং' কয়া - হরাওবা, নুংঙাইবা, নুংশিবনচিংবা অসিসু নান্থোকখিনি, পুন্সিগী অঙকপা তাংকক অমত্তসু থেংনরোই। অৱাববু ওইরো নুংঙাইববু ওইরো 'পূক্লিংগী ইহুল' অমা হকথেংনরকপদা, খ্বাইদগী মরু ওইবা খন্থগদবা ৱাফমদি 'মীকূপ্তুদা ইশানা ইশাবু য়েংজবা ঙল্লিবরা' হায়বসিনি। মসিবু পাঙথোকপা ঙল্লবা - অকনবা ইমোসনেল ফিলিং অমত্তনা মহাক্কী পূক্লিং-ৱাখল-হকচাংগী খল থুগাইবা ঙল্লোই। মহাক্কী মফমদদি 'পূক্লিংগী ইহুল' খুদিংমক ঙাইহাক্কী ওইবা মতৌ অমনি, লাক্কনি অমদি চৎখিনি, তুং কোইনা লৈহৌরোই।

অদুবু মসি, হায়বদি লায়বা তৌবদি লুবা, অদুগুম্বা থবক অমরা? নত্তে। তোয়না অমদি কাঙলোন চুম্না প্রাক্টিস তৌরগা অফবা প্লেয়র ওইরকপগুম, মসিসু হঞ্জিন হঞ্জিন থেংনদুনা হৈনহনবা অমা চঙই। 'জিম' অমদা তোঙান তোঙানবা ইশাগী মসলশিংদু মওং চুম্না, মরীল নাইনা চাওখৎহন্নবা মখল কয়াগী 'এক্সর্সাইজ' মথৌ তাবগুম ঐগী পূক্লিংবুসু তত্তনা ত্রেনিং পীবা মথৌ তাই। নোংমখক প্রাক্টিস তৌরগা 'বোদিবিল্ডর' ওইবা য়াদবদুগা পাংখকনি। ঐগী পূক্লিংগী ইহুলগা অতোপ্পগী ইহুলগা লৈনফম থোকপা মরী অদু শাগৎপা ঙম্নবা, লীশাং শিৎনা ইশাগী পূক্লিংবু অমুক কনশিন অমুক থোৎহন তত্তনা শান্নগদবনি।

অকনবা পূক্লিং ইহুলশিং হায়বদি - শাউনীংবা, কপনীংবা, অকিবা, থৱায় নুংঙাইতবা, হরাওবনা মথুম মরাং হৌবা অসিনচিংবশিং অসিদগী, ঐখোয় মতম চূপ্পদা চেকশিনগদবনি। মরমদি, অসিগুম্বা ইহুলশিং অসিনা ঐখোয়বু লৈমিন্নরিবশিংগা লৈরম্বা অফবা মরী ফৎহন্দে, ইশাদা মখল কয়াগী অমাঙবা থোকহল্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা হরাও-কুম্মৈ য়েংথোকপা, কম্প্যুটর গেম শান্নবা, সিনেমা-দ্রামা য়েংবা চৎপা নৎত্রগা টেলিভিজন য়েংদুনা লৈথোকপা অসিনচিংবসি কান্নরবা এক্সর্সাইজ মখল অমনি। মরূপ মপাংশিংগা ফাগি তৌনদুনা নৎত্রগা নুংঙাইবা ৱারী শানবসু 'তেন্সন' হন্থহন্নবগী পাম্বৈনি। করিসু লৈতবা ৱাফম অমনা পুন্সিবু 'অমুক শেমদোকপা য়াদনা' লৈখা তাহনখিবা - মীওই কয়াগী পুন্সিদা থোকখ্রবনি। অদুগুম্না, ঐখোয়না তরায় তরায় খল্লুবা ৱাফম নৎত্রগা থৌদোক অমনা ঐবু নুংঙাই য়াইফবা অওনবা পুন্সি অমদা চিংশিল্লম্বসু য়াই। মসিবু মীওইবনা লাইবক্কী ৱা ওইনা খন্দোকনৈ। অদুবু - তাঞ্জা লৌবা হৈতবা মীদা 'লাইবক'না কৈদৌনুংদসু থৌজানবীরোই। হায়নৈ, খুদোংচাবা হায়বসি অনীরক শুনা লাক্তে (চান্স নেভর কমস ত্বাইস)। ইশাগী পূক্লিং ইহুলবু নীংথিনা মশক খঙনা, খুন্নাইসিদা মীরক তিন্দুনা হিংবা ঙল্লিবা মহাক অদুগী মফমদদি অদুগুম্বা খুদোংচাবা তাঞ্জা মশীং খঙদনা লাক্কনি। তাঞ্জাদু লৌবা হৈবা/হৈতবা হায়বা অমসু লৈ। মদু হৈনবগীদমকনি মীওইবনা ইমোসনেল ইন্টেল্লিজেন্সকী ৱাফম মরু ওইনা লৌরিবা।

মীকূপ খুদিং 'শীংনবা' ঙাক্তনা থল্লবা অনৌবা পুন্সি মহিংসিদা থেংনররিবা 'পূক্লিংগী ইহুল' কয়াসিগা লোয়নদুনা হিংবা ঙম্বা অমদি ঐগী পুন্সিবু হুমদুনা পুখিবা ঙম্বা নোংলৈ নুংশিৎ-কুম্বা 'ইহুল' কয়াদুবু খুদুম চনবা অদুনি 'ইমোসনেল ইন্টেল্লিজেন্স'কী অচেৎপা য়ূম্ফম। ঐখোয় কনাসু 'ইমোসন'দগী নান্থোকপা ঙল্লোই, শাগোন্নবা হিংগদবনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৯৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**সেপ্টেম্বর ১১, ২০০৯ :** ঙসি গুৱাহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চনা সিটি পুলিসতা তোঙানবা এফ আই আর অমা রবিনাগী মপুরোইবনা থারকপা ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না রেজিষ্টর তৌনবা হায়খ্রে। রবিনা জুলাই ২৩গী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা লৈখিদবনি।

কোর্টকী হুকুম অসি রবিনাগী মনেমবোক্লা থারকপা দরখাষ্ট অমা তারবা মতুংদনি। রবিনাগী মনেমবোক্লা মাগী মচানুপা চীংলেনস্নানা মাগী নুপী হাৎখিবা অদুগা মরী লৈননা থাবা কেস অদু পুলিসনা রেজিষ্টর তৌবীয়ু য়াদবদগীনি হায়।

ঙসি তাখিবা কোর্টকী হুকুম অদুদা রেসপোন্দেন্ট অমা ওইরিবা ও সী ইম্ফাল সিটি পুলিসনা রবিনাগী মপুরোইবনা জুলাই ২৪দা থারকপা কেস অদুগা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌনবা অমসুং থিজিন-হুমজিন তৌনবা য়াথং পীখি।

কোর্টনা অসিমসু য়াথং পীখি মদুদি লৈঙাক্কী অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা ও সী সিটি পুলিস ষ্টেসন্না কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না খুদক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌনবা শোয়দনমক্কী হোৎনগদবনি।

রবিনাগী মপুরোইবনা মাগী নুপীবু জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা নোংমৈ কাপ্পবদা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা গুৱাহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চকী জষ্টিশ অশোক পোৎশংবমগী কোর্টতা সেপ্টেম্বর ৭তা ফুল হিয়ারিং চৎথরকখিবনি। মদুগী রুলিং অদু ঙসি থোকখিবনি।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী উকিল সেনিয়র এদভোকেট টি ঐচ ইবোহল অমসুং দি জি পিগী উকিল এন কুমারজিৎনা সুপ্রিম কোর্টকী অমসুং হায় কোর্টকী রুলিংশিং পন্দুনা য়েৎখি মদুদি সিটি পুলিস ষ্টেসন্না হান্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রিবা থৌদোকসিগা মরী লৈননা অমসুং চপ মান্নবা থৌদোকসিগীদমক অতোপ্পা এফ আই আর মথৌ তাদে।

রবিনাগী মনেমবোক থোকচোম মেমগী উকিল খাইদেম মনিনা লৈঙাক্কী অমসুং দি জি পিগী ওবজার্বেসন অদুদা য়েৎলদুনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টকী অতৈ রুলিংশিং পুথোকখি অমসুং লৈখিদ্রবী রবিনাগী মপুরোইবা চীংলেনস্নানা থারকপা ৱাকৎ মতুংইন্না এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়খি।

সিটি পুলিসনা জুলাই ২৩গী নোংমৈ কাপ্পবা থৌদোক্তা মরী লৈননা হেরোজিৎ হায়বা পুলিস কম্মান্দো পর্সনেল অমনা থাঙ্গৎলকপা রিপোর্ট মতুংইন্না এফ আই আর অমা পানখিবনি। মদু আই পি সীগী সেক্সন ৩০২/৩২৬/৩০৭/৫৩৬ অমসুং অন লোফুল এক্টিভিটি (প্রিভেন্সন) য়ু এ (পি) এক্টকী সেক্সন ১৭/২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

কোর্টকী রুলিংদা মসিমসু হায়খি মদুদি মতুং তাবা থৌদোকশিং অমসুং পিকচরগা কোন্না উৎথোরকপশিং অসিনা পানখিবা এফ আই আর নম্বর ৭৫ (৭)/২০০৯ অসি অরানবা পাউদা য়ূম্ফম ওইবনি।

রেসপোন্দেন্টশিংগী মরক্তা দি জি পি নত্তনা অতৈদি এফিদেভিট পীখৎলক্তে। মাগী এফিদেভিটতা রবিনা অসি জুলাই ২৩গী মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা শিবা নত্তে হায়দুনা ওফিসল ভর্জন অমসু দি জি পিগী ষ্টেন্দ অদুগী ৱাংমদা থিজিন হুমজিনবা য়াহন্দ্রে।

কোর্টনা মসি হায়হল্লে মদুদি কনা অমত্তা আইনগী মথক্তা লৈতে। অচুম্বা থিদোক্লবা হোৎনবদা অমসুং মরাল লৈবশিং খঙদোক্লবা হোৎনবদা কনামতনা ভিক্টিমগী মপুরোইবনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎপু এফ আই আরনচিংবা রেজিষ্টর তৌদনা থৈদোকপা য়ারোই।

রবিনাগী মনেমবোক মেমগী রিট পিটিসন অদুদা কোর্টনা ষ্টেট লৈঙাক্তা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা বোদি সী বি আইগুম্বা অমদা থিজিন্নবা হুকুম তৌবীনবা অমসুং ভিক্টিমশিংদা মতিক চাবা ক্ষেত্রিপুরন পীবীনবসু হায়জখি।

**সেপ্টেম্বর ১১, ২০০৯ :** ও ইবোবী চীফ মিনিষ্টর ওইবা তোক্লো হায়দুনা চংশিল্লকপা থামুক ফাজিল্লম্লক্লবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না তাইবঙ মপুদা থৌনিজবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। উমং লাই ১০৮দা থৌনিজগনি হায়রি।

কোর্টতা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসরনা টেহলকা মেগাজিন্দা ফোঙখিবা ফোটোশিং অদুদা হান্না লালহৌবা য়াওরম্বা সী ঐচ সঞ্জিৎপু শেমজিন-শাজিনবনি হায়না এফিদেভিট পীখৎখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

তাইবঙ শেম্বা মপুদা খুরুমজবা অদু ঙসি অমুক জে এ সীনা মফম তরেৎতা পাঙথোকখি। তোঙান তোঙানবা লাইশঙশিং অদুদি (১) লাই অৱাংবা (২) লমলোং কৈথেল লাইরেম্বী (৩) খুরাই পুথিবা (৪) লাইনিংথৌ লাই অহানবা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়নি।

জে এ সীগী কনভেনর টি ঐচ অনিতানা হায়খি, মীয়াম্না লৈঙাক্তা হায়জ-লাউজবা অসি তাহনবীনবা তাইবঙ মপুদা থৌনিজবনি। থৌনিজবা অসি লাইফম ১০৮দা পাঙথোকচগনি। উমং লাইশিং অসি তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎচবা য়েলহৌমী কয়ানা খুরুমজরিবনি। মণিপুরগী মীয়াম অসি হিন্দু অমসুং খৃষ্টান লাইনীং চৎলবসু মরুওইনা মৈতৈ অমসুং কবুইশিং অসি ঐখোয়গী হান্নগী লৈজরম্বা লাইশিংবুদি ইরাৎচরি।

জুলাই ২৩দা সঞ্জিৎপু তমথীনা হাৎখিবা অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সী অসিগী লাই খুরুম্বগী থৌদোকসিদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন ইম্ফাল জোনগী নুপী মেম্বরশিং অমসুং কবুই মাদরস এসোসিএসনগী মেম্বরশিংসু য়াওখি।

মখোয়না তাইবঙ মপুদা অৱাবসিবু খাংবা ঙমজনবা অমসুং থৌনা পাঙ্গল পীনবীনবা, লৈঙাক্লা ওৎপী-নৈবীরিবা অসি খাঙবা ঙমজনবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংজনবা থৌনিজখি।

অমরোমদা, ষ্টেটকী দি জি পি ৱাই জয়কুমারনা কোর্টতা পীশিনখিবা এফিদেভিট অদুদা টেহলকাগী রিপোর্ট অমসুং ফোটোশিং অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়বদু সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়া অমসুং অপূনবা লূপ্তুগী কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরকখি।

য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফ্‌টমেন্ট (য়ু এস য়ু) না দি জি পিগী ৱারোলদুনা তাক্লে মদুদি লৈঙাক্লা মীয়ামদা অরানবা তৌবদা লৈঙাকসিনা করিসু থৌশাদ্রে। মখোয়না মীয়ামগী থৌগল তৌবদা পুকচেল শেংদ্রে। টেহলকাগী রিপোর্ট অদু শাশিন্নবা ওইরবদি, নোংমৈ কাপ্পদা য়াওরিবা পুলিস কম্মান্দোশিং অদু শাশিন্নবা পুলিস পার্সনেলশিং ওইরে। অদু ওইরগদি শাশিন্নবা পুলিস কম্মান্দোশিং অসিদা মীফা-মীপূন তৌনবা করিগী শক্তি পীবনো।

**সেপ্টেম্বর ১১, ২০০৯ :** ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ৱাফম ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং হন্দক পীয়ু হায়বদু য়াখিদ্রে। মিনিষ্টরনা হ্যুমেন রিছোর্সকী য়েংদুনা খোঙজং হন্দোকপীয়ু হায়খিবনি।

এমসুগী চেরোলদুনা হায়, হ্যুমেন রিসোর্স হায়বসি মহৈরোয়শিংখক্তা নত্তে, ষ্টেট অসিগী মীপূম খুদিংমক য়াওরিবনি।

এমসুনা ষ্টেট অসি হ্যুমেন রিছোর্স চাওখৎনবা কন্না হোৎনরবসু মসিমদি নীংশিংগদবনি : 'য়ূম মৈ চাক্লক্লবদি মৈকনবনা মরু ওই, লাইরিক পাববুদি।'

ভিক্টিমগী ইমুংশিংগী মীওই কয়া লাইরিকসু তম্বা ফংদ্রে, লৈকায়গী মীওইশিংসু লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদ্রে, জুলাই ২৩ অমসুং অতৈ শাশিন্নবা কয়াসিনা।

মপা-মমা অমসুং ওজাশিংগী এসোসিএসনশিংনসু অমসুং লৈঙাক্কী ওজাশিংনসু ক্লাস বোইকোটতা য়াওবিয়ু। লাইবক থীবা থৌদোক অসি মীপূম খুদিংদা থোকপা য়ারিবনি। এমসুগী লুচিংবশিং ফাবা পূনবা লেপত্রবদি খোঙজং অসি কনশিল্লগনি হায়খি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ঙরাং মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং হন্দোকপীয়ু হায়খিবনি।

**সেপ্টেম্বর ১১, ২০০৯ :** সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা অৱাং খুনৌদা সেপ্টেম্বর ৮দা মীওই তরুক হাৎখিবা অদুগী মনুংদা অনীদি মীচমনি হায়বসি তশেংলে হায়রি। ওফিসল ওইবা পাউদি নত্তে। সিভিলিয়ন অনী হাৎপদুগী মনুংদা অমদি নন লোকলনি, মাগী অশিবা মশা অদু রিমসকী মীরেলশঙদা লৈরি। মহাক কনানো হায়বা খঙদ্রি। মীরেলশঙদা লাকপা মীওই খরনা হায়বদা মীওই অসি মোরেদগী লাকপনি।

অতোপ্পা অমদুনা মহম্মদ মুজিবুর রাহেমান (৩৮), লোক্তাক প্রোজেক্টতা লৈবা অহম্মদ আলিগী মচানুপানি। হৌজিক্তি হাট্টা গোলাপতিদা অশানবা য়ূমদা লৈবনি। ●